# পি কে কেনা কার বোম এটেক চথ্খদুনা টর্কিশ লান্মী ৮ হাৎখ্রে



ইষ্টানবুল, ওক্টোবর ০৯ :
কর্দিশ মিলিটেন্টশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা সাউথইষ্ট টর্কিগী মিলিটরি ষ্টেসন অমগী মপানদা কার বোম অমা পোকখায়হনখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা লান্মী নিপান শিখ্রে অমসুং অতৈ মঙানা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না টর্কিগী ষ্টেটনা রন তৌবা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে। এটেক অদুগী পাউখুম ওইনা টর্কিনা মিলিটরি ওপরেসন অমসু হৌখ্রে হায়রি।

অনাদোলু এজেন্সিনা টর্কিশ আমর্দ ফোর্সেসকী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা হায়খি, সেমদিনলি-য়ুকসেকোভা হাইৱেদা লৈবা জেন্দরমেরি ষ্টেসন অমগী মপানদা চথখিবা এটেক অদু কর্দিষ্টান ৱার্করস পার্টি নৎত্রগা পি কে কেগী খুৎনি।

টর্কিদা হৌখিবা চহীগী কালেনদগী হৌজিক ফাওবদা চথখিবা বোমগী এটেকশিংদা মীওই চা কয়া শিখ্রে অমসুং এটেকশিং অদু পি কে কেনৎত্রগা ইস্লামিক ষ্টেটগ্রুপনা চথখিবনি হায়না মরাল শীখি।

চহী অনী মখায় শুরবা সিজফায়র অমা কায়খিবা মতুং হৌখিবা চহীদগী পি কে কে অমসুং ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্নরকখি। মদুদগী হৌজিক ফাওবদা টর্কিশ সিক্যুরিটি পার্সনেল ৬০০ হেন্না অমসুং পি কে কেগী মিলিটেন্ট লিশিং কয়া খুৎ থোক্নবদা শিখ্রে হায়না এনাদোলু এজেন্সিনা হায়রি।

খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং অদুদা মীচম চা কয়াসু শিখ্রে হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা হায়রি।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা ইষ্টানবুলগী পুলিস ষ্টেসনগী মনাক্তা মোটোরসাইকলদা ফিট তৌবা বোম অমা পোকখায়রকপদগী মীওই ১০ শোকখি। ইরাই নুমিৎতা মিলিটেন্ট কর্দিষ্টান ফ্রীদম ফেনকোনস নৎত্রগা টি এ কেনা এটেক অদুগী ক্লেম তৌখি। টি এ কে অসিসু পি কে কেদগী খায়দোকখিবা গ্রুপ অমনি হায়না লৌনৈ। এটেক অদুগা মরী লৈননা মীওই ৬ ফাজিনখ্রে হায়রি।

# য়েমেনদা এয়র রেইদতা মীচম ১৪০ হাৎখিবগী মতাংদা থিজিনবদা আরব কোলিসনসু য়াওগদৌরি

রিয়াধ, ওক্টোবর ০৯ :
সানাদা লৈরোল চনবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা মীওই ১৪০ হেন্না শিখিবগী মতাংদা মখোয়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা পুন্না থিজিনমিন্ননবা শেম শারে হায়না য়েমেনদা রেবেলশিংগা লাল শোক্নরিবা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাননা শৌগৎপা হুথি রেবেলশিংনা আরব কোলিসনবু থাংজ নুমিৎকী এটেক অদু চথখিবনি হায়না মরাল শীখ্রে। এটেক অদু কোলিসন অদুনা হৌখিবা চহীগী মার্চতা সিয়াইট লালহৌবশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি কেম্পেইন অমা চথুবা হৌখিঙৈদগী পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা এটেকশিংগী মনুংদা অমনি।

তৌইগুম্বসুং অহানবদা এটেক অদুগা মখোয়গা মরী অমত্তা লৈনদে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা কোলিসন্না নুংনাংনিঙাই অমসুং অৱাবগী মশক ওইরবা ষ্ট্রাইক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

এটেক অদুদা মীওই ২২৫ হেন্নসু অশোক-অপন নংখ্রে হায়না য়ু এনগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

কোলিসন্না কেস অসি য়েমেনগী জোইন্ট ইনসিদেন্টস এসেসমেন্ট টিম অমসুং মমাঙগী ইনভেষ্টিগেসনশিংদা শরুক য়াখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী এক্সপার্টশিংগা লোয়ননা খুদক্তা ইনভেষ্টিগেট তৌরগনি হায়না সাউদি প্রেস এজেন্সিনা ফোংখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা কোলিসন্না হায়খি।

থৌদোক থোকফম অমসুং অকোয়বা এরিয়াশিংদা ঙসি চথখিবা মিলিটরি ওপরেসনশিংগী মতাংদা কোলিসন্না ইনভেষ্টিগেসন টিমদা দেটা অমসুং ইনফোর্মেসন পুন্বা পীবা পামই হায়না কোলিসনগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। 'ইনভেষ্টিগেসনদু মপুং ফানা লোইশিনবগা মদুগী রিজল্ট লাউথোক্কদবনি।'

য়েমেনদা লৈবা য়ু এস হ্যুমেনিটরিয়ন কোওর্দিনেটর জেমি মেক গোল্ডরিকনা হায়খি, এটেকশিং অদুদা কম্ম্যুনিটি হোল অমদা হিট তৌখিবদা এইদ ৱার্করশিং থম্মোয় শোকখি অমসুং খোয়রাং খোয়শাওহনখি। য়েমিনি কেপিটেলদা লৈবা কম্ম্যুনিটি হোল অদুদা অৱাবা ফোঙদোকপা মীওইশিং পুন্দুনা লৈখিবনি।

পাউ অদুগী মখা তারকপা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হায়খ্রে মদুদি, য়েমেনদা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসনবু শৌগৎপগী ৱাফম রিভিয়ু তৌরগনি।

য়েমেনগী লৈরোল চনবগী হোল অমদা ঙসি এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবগী পাউনা ঐখোয়বু ফীভম থীনা নুংঙাইহন্দ্রে। করিগুম্বা মদু কনফার্ম তৌবা তারবদি য়েমেনি সিভিলিয়নশিংদা মখা তানা এটেক পরিং অমা চথরকখিগনি হায়না ঐখোয়না থাজৈ হায়না হ্বাইট হাউসকী নেসনেল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী স্পোক্সমেন নেদ প্রাইসনা ফোঙদোকখি।

'অসিগুম্বা অমসুং অতৈ থৌদোকশিংগা মরী লৈননা ঐখোয়না হান্নদগী পুক্নিং থৌগৎপা হন্থখ্রবা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসনবু সপোর্ট তৌবগী ৱাফম খুদক্তা রিভিয়ু তৌবা হৌখ্রে অমসুং য়ু এসকী প্রিন্সিপলশিং, ভেল্যুশিং অমসুং ইন্টরেষ্টশিংগা হেন্না নিংথিনা চান্নগদবা মওংদা ঐখোয়না ঐখোয়গী সপোর্টতা থৈদোক-থৈজিন খরা তৌনবা শেম শারে।'

প্রাইসনা মখা তারদুনা চেকশিন্না হায়খি মদুদি, য়ু এসনা সাউদি অরাবিয়াগা সিক্যুরিটি কোওপরেসন থম্নরিবসি ব্লেঙ্ক চেক ১ নত্তে অমসুং নাকল খুদিংমক্তা খুদক্তা সিজফায়র অমা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি।

হৌখিবা ওগষ্টতা য়ু এস মিলিটরিনা লাউথোকখিবা অমদা মীচমশিংদা মীশি-মীনা কা হেন্না থোকহনবনা মরম ওইদুনা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসনবু সপোর্ট তৌবা ইন্টলিজেন্স এদভাইজরশিংগী মশিং ককথরে হায়খি।

# যু এসনা রসিয়ন হেকরশিংবু হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৯ :
নভেম্বর ৮ গী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলগী মাঙওইননা দেমোক্রেটিক পার্টি ওর্গনাইজেসনগী মায়োক্তা সাইবর এটেকশিংগী কেম্পেইন অমা চথৈ হায়না য়ু এস গভর্ণমেন্টনা অহানবা ওইনা রসিয়াবু হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখ্রে।

অসিগুম্বা থবকশিংগী অরুবা মতৌদা য়ুম্ফম ওইরগা রসিয়াগী সিনিয়র ওফিসলশিংদনা অসিগুম্বা এক্টিভিটিশিং ওথোরাইজ তৌবা ঙমগনি হায়না ঐখোয়না থাজৈ হায়না য়ু এসকী গভর্ণমেন্টকী ৱারোল অমনা পোলিটিকেল গ্রুপশিং হেক তৌবগী মতাংদা হায়খি।

য়ু এসকী ইন্টলিজেন্স ওফিসলশিংনা চয়োল কয়ামুক্কী মমাঙদা য়ু এসকী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা অকায়বা থোকহন্নবা দেমোক্রেটিক নেসনেল কম্মিটি অমসুং দেমোক্রেটিক কোংগ্রেসনেল কেম্পেইন কম্মিটিগী মায়োক্তা রসিয়ন গভর্ণমেন্টনা সাইবর এটেক চথরি নৎত্রগা চথবদা শিল লাংই হায়না ৱারোই পীখিবনি। ইন্টরফেক্স ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন অমনা য়ু এসকী মরাল শীবা ৱাফমশিং অদুবু ৱাহন্থোক য়াওদে হায়না ফোঙদোকখি।

ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসন্না রসিয়াবু হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীনবা লৌরক্লিবা ৱারেপ অদু ৱাশিংটনগা মোস্কোগা লৈনবা মরী হাইথরকপগী খ্বাইদগী নৌবা খুদমনি। সিরিয়া, য়ুক্রেন অমসুং সাইবরস্পেসকী লমশিংদা রসিয়ানা থাংলকখিবা খোঙথাংশিংনা মরম ওইদুনা ৱাশিংটন অমসুং মোস্কোগী মরী ফীভম শোক্লকখি। সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা অমদসু হোস্পি-টালশিংদা বোম থাদবা য়াওনা সিরিয়াগী সিভিল ৱারদা রসিয়নশিং অমসুং সিরিয়নশিংনা চথখিবা এক্সনশিং অদু ৱার ক্রাইমশিং চথবগী ইনভেষ্টিগেসন তৌবীনবা হায়জবগা মান্নে হায়খি। মসিগীসু মথক্তা য়ু এসকী ইন্টলিজেন্স ওফিসল অমনা ইরাই নুমিৎতা হায়খি মদুদি রসিয়ানা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং পুবা ঙম্বা সোর্ট রেঞ্জ মিসাইলশিং পোলন্দ অমসুং লিথুইনিয়াগী মরক্তা লৈবা রসিয়াগী অপীকপা এনক্লিভ কালিনিনগ্রেদতা পুশিল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্টলিজেন্স ওফিসলগী ৱারোল অসিনা ইষ্টোনিয়ন ন্যুজ রিপোর্টশিং কনফার্ম তৌখি।

# অফঘান আর্মিগী হেলিকোপ্টর কায়বদা লান্মী ৮ শিখ্রে



কাবুল, ওক্টোবর ০৯ : নোংমাইজিংগী অয়ুক অঙনবদা অফঘানিষ্টানগী নোদর্ন বাঘলান প্রোভিন্সতা মিলিটরি হেলিকোপ্টর অমা কায়বদা অফঘান লান্মী নিপান শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

অফঘান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন দাওলাট ৱাজিরিনা হায়খি মদুদি, ক্রাস অদুদা ক্রু মঙা অমসুং লান্মী অহুম শিখ্রে। দান্দ ঘোরি দিষ্ট্রিক্টতা হেলিকোপ্টর অদুনা মিলিটরি বেজ অমদা সপ্লাই চথরিঙৈদা ক্রাস অদু থোকখিবনি হায়না ৱাজিরিনা হায়খি। এয়রক্রাফট অদুগী টেক্নিকেল প্রোব্লেম লৈবদগী থৌদোক্তু থোক্লিবনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱাজিরিনা হেলিকোপ্টর অদু লালহৌবশিংনা কাপথখিবনি হায়বা ক্লেম খুদিংমক রিজেক্ট তৌখ্রে।

হেলিকোপ্টর অমনা লৈমায়দা লৈরগা অমনা নোংথক্তা পেট্রোলিং তৌখিবনি অমসুং খঙহৌদনা টেক্নিকেল প্রোব্লেম অমা লাক্তুনা হেলিকোপ্টর অদু মৈ চাকখি অমসুং লৈমায়দা তারকখি হায়না ৱাজিরিনা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুল্লাহ মুজাহিদনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা এয়রক্রাফট অদু টালিবানগী ফাইটরশিংনা কাপথখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

বাঘলানদা প্রোভিন্সিয়ল ওফিসল অনীনসু হেলিকোপ্টর অদু মিলিটরি বেজ অমদা চীঙ্গাক, ঈশিং অমসুং নোংমৈ মরু সপ্লাই তৌরিঙৈদা লালহৌবশিংনা কাপথখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, কারঘন তাপা বেজ অদু লালহৌবশিংনা চয়োল অমরোম কোইশিন্দুনা থম্লকখি। মখোয়না লাঙ্গৈই চন্দুনা থম্বদগী লান্মী চা কয়া মনুংদা লাংদা থুবগুম্না লৈখ্রে। বেজ অদু তাবা লন্বী খুদিংমক লালহৌবশিংনা থিংজিনখ্রে অমসুং অমত্তা ঙাইরবা সপ্লাইগী পাম্বৈদি নোংথক্কী লন্বীনি হায়না ওফিসলশিংদুনা ফোঙদোকখি। প্রেসতা পাউ পীবগী অয়াবা পীদবদগী ওফিসলশিংদুনা মশক মমিং ফোঙদোক্তবগী ফীভমদা ৱা ঙাঙখি।

বাঘলানগী গভর্ণরগী স্পোক্সমেন মহমুদ হকমলনা হায়খি মদুদি, দান্দ ঘোরি অমসুং বাঘলান-ঈ মুরকাজি দিষ্ট্রিক্টশিংদা টালিবান গনমেনশিংনা এটেকশিং কনখৎখ্রে। লাল অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া ময়ুম-মকৈথাদোক্তুনা চেন্নখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

হন্দক চয়োল খরা অসিদা টালিবান লালহৌবশিংনা নোদর্ন বাঘলান অমসুং য়ুম্লোন্নবা কুন্দুজ প্রোভিন্সতা এটেকশিং চথবা হেনগৎখ্রে। টালিবান্না নোদর্ন সিটি কুন্দুজদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং মখা তানা মায়োক্নরি। লালহৌবশিংনা অরৈবা পাঙ্গল পুন্বা শিজিন্নদুনা মফমদুদা এটেক চথবা হৌখিঙৈদগী নোংমাইজিং নুমিৎতা নুমিৎ তরেৎনি শুরে হায়রি।

# জেরুসালেমদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অহুম শোকখ্রে, এটেক্কর মশাসু পুলিসনা হাৎখ্রে

জেরুসালেম, ওক্টোবর ০৯ :
জেরুসালেমদা নোংমাইজিং নুমিৎতা এটেক্কর অমনা নোংমৈনা কাপ্পদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম অশোক-অপন নংখ্রে। পুলিসনা এটেক্কর অদুসু কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোক্লি। পুলিসকী মতুং ইন্না অশোকপশিংদুগী মনুংদা অনীগী ফীভম লুরি হায়রি।

এটেক অদু সিটি অদুগী জ্যুশিংনা নম্না তাবা নোংচুপ থংবা সেক্টরদগী পালেষ্টিনিয়নশিংনা নম্না তাবা নোংপোকথংবা জেরুসালেমবু খায়দোক্লিবা লাইনগী মনাক নক্না লৈবা পুলিস হেদকার্টরসকী মনাক্তা চথখিবনি।

এরিয়া অদু লাইট রেইল ষ্টেসন অমগসু নক্নৈ হায়রি। এটেক্কর অদু মফমদুদগী চেনখি তৌইগুম্বসুং পুলিসনা মোটোরসাইকল তোংদুনা তান্নরগা মহাকপু কাপ্তুনা হাৎখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। এটেক্কর অদুনসু পুলিসতা কাপখি হায়রি।

রোশ হাশানাহ নৎত্রগা জ্যুৱিশ চহী হৌবা অমসুং য়োম কিপুরগী হোলিদে মতমগা মরী লৈননা জেরুসালেমদা লৈবা হান্নদগী ঈরাংগী হৌরকফম ওইদুনা লাক্লবা অল-অকসা মোস্ককী কম্পাউন্দদা জ্যুৱিশ ভিজিটরশিংগী মশিং হেনগৎলক্লিঙৈগা চাননা চথরকখিবা এটেক অদুগী অকুপ্পা পাউ মখা তানা ঙাইনরি।

মফম অদু মুস্লিমশিং অমসুং জ্যুশিং অনীমক্না অশেংবা মফমনি হায়না লৌনৈ। জ্যুশিংনা মফম অদুবু টেম্পল মাউন্টনি হায়না ফোঙদোক্লে।

হৌখিবা চহীগী হায় হোলিদেশিংগী মতমদা পালেষ্টিনিয়নশিং অমসুং জ্যুশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নখি। মদুগী মখা তারকপদা পালেষ্টিনিয়নশিংনা নোংমৈ কাপ্পা, থাং শিজিন্নবা অমসুং কার থৌজিন্দুনা থোন্থগী এটেকশিং হেনগৎলকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দগী থোক্লকখিবা মীশি-মীনা য়াওবা ঈরাংশিংদা জেরুসালেমদা পালেষ্টিনিয়ন ২৩১, ইজরেলি ৩৪, অমেরিকান ২, জোর্দানিয়ন অমা, ইরিটরিঅন অমা অমসুং সুদানিজ নেসনেল অমা শিখ্রে হায়না এ এফ পিগী পাউনা হায়রি।

INDIAN NAVY



EMPLOYMENT IN INDIAN NAVY- BEWARE OF AGENTS/ CHEATS

It has come to the notice that some agents/touts/unsocial elements on pretext to provide employment in the Indian Navy, make upbeat promises about chances of employment and virtually all of them ask innocent candidates to pay for their services.

To achieve their end, they use dubious advertisements depicting Indian Navy address, website details, false certificate and email etc to deceive unsuspecting job seekers.

It is informed that recruitment of sailors is undertaken by Directorate of Manpower Planning and Recruitment (DMPR) of the Indian Navy whereas adequate publicity is undertaken by way of recruitment advertisement published in Employment News/leading newspapers across the country. All the details are also put on DMPR official website www.joinindiannavy.gov.in as per the schedule. It is reiterated that there is no requirement for anyone to pay any money at any stage of recruitment including filling of application form, written test, physical fitness test, medical examination and merit list.

davp 10701/11/0041/1617



HL-B/3329/20/09-19/10

# EMPLOYMENT NEWS

## Sarba Shiksha Abhiyan – SSA Assam Recruitment 2016 – 3914 Assistant Teachers Vacancies – Last Date 25 October

**SSA Assam Recruitment 2016**

Sarba Shiksha Abhiyan (SSA), Assam invites Application for the post of 3914 Assistant Teachers for TET/ CTET qualified candidates in Lower Primary & Upper Primary Schools of Assam on regular/ contractual basis. Apply Online before 25 October 2016.

**Job Details :**
Post Name : Assistant Teacher
No of Vacancy : 3914 Posts

**Level wise Vacancies :**
Lower Primary level (LP) : 3672 Posts
Upper Primary- Social Science UP (SS) : 157 Posts
Upper Primary- Maths & Science UP (M &S) : 85 Posts

**Eligible Criteria for SSA Assam Recruitment :**
Educational Qualification :
For Lower Primary level (LP) : 50% marks in Higher Secondary (or its equivalent) with LP- TET/CTET and 2-year Diploma in Elementary Education (by whatever name known) from recognized institutes Or At least 45% marks in Higher Secondary (or its equivalent) with LP- TET/CTET and 2-year Diploma in Elementary Education (by whatever name known), in accordance with the NCTE (Recognition Norms and Procedure), Regulations,2002. Or At least 50% marks in Higher Secondary (or its equivalent) with LP- TET/CTET and 4-year Bachelor of Elementary Education (B.El.Ed.).

For Upper Primary- Social Science UP (SS) : Graduation from UGC recognized University with UPTET/CTET and 2-year Diploma in Elementary Education (by whatever name known) from recognized institutes Or Graduation with at least 50% marks from UGC recognized University with UP- TET/ CTET and 1-year Bachelor in Education(B.Ed.) from recognized institutes/University Or Graduation with at least 45% marks from UGC recognized University with UP- TET/CTET and 1-year Bachelor in Education(B.Ed.) from recognized institutes/ University in accordance with the NCTE (Recognition Norms and Procedure), Regulations issued from time to time in this regard.

For Upper Primary- Maths & Science UP (M &S) : B.Sc. from UGC recognized University with UP-TET/CTET and 2-year Diploma in Elementary Education (by whatever name known) from recognized institutes Or B.Sc. with at least 50% marks from UGC recognized University with UP- TET/CTET and 1-year Bachelor in Education(B.Ed.) from recognized institutes/ University Or B.Sc. with at least 45% marks from UGC recognized University with UP- TET/CTET and 1-year Bachelor in Education(B.Ed.) from recognized institutes/University in accordance with the NCTE (Recognition Norms and Procedure), Regulations issued from time to time in this regard.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 43 years as on 01.01.2016

**Job Location : Assam**
**Selection Process :** Selection will be made on the basis of Marks obtained by the candidates in TET/CTET, academic qualification, professional qualification and excellence at NCC ( B or C certificate), State level sports, cultural activities.
**How to Apply SSA Assam Vacancy :** Candidates are required to apply online through SSA website www.ssaassam.gov.in from 05.10.2016 to 25.10.2016.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 05.10.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 25.10.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.ssaassam.gov.in/Advt_-Asst.Teacher-2016-FINAL-02.10.2016.pdf
**Apply Online** : http://www.ssaassam.gov.in/Advertisements_Vacancies.htm

## India Post Payments Bank Limited – IPPB Recruitment 2016 – 1060 Manager & Senior Manager Vacancies – Last Date 01 November

**IPPB Recruitment 2016**

India Post Payments Bank Limited (IPPB) invites Application for the post of 1060 Manager & Senior Manager in JMG Scale II and Scale III. Apply Online before 01 November 2016.

**Job Details :**
Post Name : Manager (Area Sales & Area Operations)
No of Vacancy : 600 Posts (Area Sales – 250 Posts & Area Operations – 350 Posts )
Grade Pay : Rs. 31705-45950/-
Post Name : Senior Manager (Branch)
No of Vacancy : 350 Posts
Grade Pay : Rs. 42020-51490/-

**Eligible Criteria for IPPB Recruitment :**
Educational Qualification :
For Manager : Graduate from University/ Institution/ Board recognized by the Government of India (or) approved by a Government Regulatory Body and Minimum experience of 3 years in sales of financial products is mandatory OR Minimum experience of 3 years in working in a CBS environment on banking operations in a Public Sector Bank or Private Bank or Post Office Savings Bank is mandatory.
For Senior Manager (Branch) : Graduate from University/ Institution/ Board recognized by the Government of India (or) approved by a Government Regulatory Body and Minimum experience of 6 years is mandatory.
Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.09.2016
For Manager : 23 to 35 years
For Senior Manager (Branch) : 26 to 35 years

**Age Relaxation :**
For Scheduled Caste and Scheduled Tribe : 05 years
For Other Backward Class : 03 years
For Person With Disability : 10 years

**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on online test and/ or an interview.
**Application Fee :**
For SC/ST/PWD (Only Intimation charges) : Rs.150/-
For all others : Rs.700/-

The payment can be made by using Debit Cards (RuPay/ Visa/ MasterCard/ Maestro), Credit Cards, Internet banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets
**How to Apply :** Interested Candidates may apply online through the website http://www.indiapost.gov.in from 07.10.2016 to 01.11.2016.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 07.10.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 01.11.2016
Date of Online Payment of Application Fees : 07.10.2016 to 01.11.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://www.indiapost.gov.in/Financial/DOP_PDFFiles/20160929_1220%20hrs_Detailed%20Advertisement%20for%20Scale%20II%20%20III.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/ippboff3sep16/